হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ২৩, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০০১ শুবা মশীং

# হাউসতা গভর্নরগী ৱারোল

## গভর্ণরগী এদ্রেস মীতৈ ময়েক্তসু নমথোক্লগা ফংহনসি

*তরামাথোইশুবা* মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা এসেমব্লি মীফম হৌখ্রে। চহী ১ গী অহানবা মীফম ওইবনা মণিপুরগী গভর্ণর নজমা হেপ্টুলানা হাউসতা ৱারোল অমা থম্বগা লোয়নবা মীফম অসি হৌদোকখ্রে। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লবা মতুং তেল্লবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পাঙথোকপা এসেমব্লিগী মীফম ওইবনা মপূং ফাবা চহীগী বজেট পুথোকপসু ঙমদ্রে। থা ৪ খক্কী শীজিন্ননবা ভোট ওন একাউন্ট পাস তৌননবা বজেট পুথোক্ল বা ফম্বা মীফমগা করিসু খেন্নবা লৈতে হায়না লৌবা য়াই। নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক লিংবদমক ঙাইরিবা মরম্না হাউসতা থমখিবা গভর্ণরগী ৱারোলশিং অদুসু মপূং ইফা ফাদবদৌনা তৌই। গভর্ণরনা হাউসতা থমখিবা ৱারোলশিংদা মরু ওইনা পল্লিবদি ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা মতম কুইনদগী লৈরক্লবা মচিন-মনাও ওইবগী নুংশিবগী লিপুন অদু অমুক্কা হেন্না চেৎশিনবগী মতম ওইরক্লে। লমদমসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক ঈং-তপ্লা অমদি চাউখৎপগী মায়কৈদা য়াঙশিন্না চৎমিন্ননবা হোৎনবগী মথৌ তারে হায়বসিসু অমনি। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খনবা অমদি য়াইফনবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা ওইনা লৈগনি। পান্দম অসি ফংননবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লমদম অসিদা বন্দ অমদি ব্লোকেদনা অয়েৎপা লৈতবা মপূং ফানা চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা থৌদাং লৌগনি হায়বসিসু গভর্ণর এদ্রেসকী শরুক অমা ওইরি। থবক ফংদবা নহারোলশিং অমসুং ইন্সর্জেন্সিগী ফীভম অসি য়েংলগা নহাশিংবু স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি কেপাসিটি বিল্ডিং শেমগৎতুনা ওর্গনাইজ অমদি অন-ওর্গনাইজ সেক্টরশিংদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রিছোর্সশিংবু শীজিন্নদুনা থবক পীগনি। থোং মান্ননা চাউখৎপা পুরক্লনবা হীরম খুদিংমক্তা চাউখৎপা অমদি রিজনেল ইমবেলেন্স হন্থহনবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু গভর্ণরনা ফোঙদোকখি। হকশেল, পৱার, লম্বী-থোং, শান্ন-খোৎনবা অমদি ঈশিং পীবনচিংবগী প্রোজেক্টশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজননা অচৌবা মতেং কয়া পাঙলি হায়নসু পল্লি।

অনৌবা লৈঙাক্লা তৌগে নিংলিবা থবক অয়াম্বা গভর্ণরগী ৱারোল অসিদা পল্লে হায়বা য়ারে। অদুবু লাইবক থীবদি গভর্ণরনা হাউসতা থল্লিবা ৱারোল অসি হৌজিক হৌজিক ক্লাস এলেভেন তল্লিবা মহৈরোয়শিংদদি মপূং ফানা য়ৌহন্নবা লম্বী অমত্তা শেমদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱারেপ মতুং ইন্না বেঙ্গোলি ময়েক্কী লাইরিকশিং তমহনবা তোকখিবনা মরম ওইরদুনা হায়র সেকেন্দরি থাক ফাওবগী মহৈরোয়শিং মীতৈ ময়েক্তা ইথোক্লবা লাইরিকশিং তল্লে। লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না অনৌবা টেক্সবূকশিং মীতৈ ময়েক্তা নমহনখ্রে অমসুং মতম অমদা চৎনরম্বা বেঙ্গোলি ময়েক্কী লাইরিকশিং হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা পাবা থোকখিদ্রে। চহী খরগী তুংদদি বেঙ্গোলি ময়েক্কী লাইরিকশিং পাবা থোকপা ঙম্বা মীগী মশীং শাথীনা হন্থরগনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা চহী কয়ামরুম মমালোনগুম্না শীজিন্নদুনা লাক্লবা বেঙ্গোলি ময়েক্তা নম্বা লাইরিকশিং মীতৈ ময়েক্তা ইথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। তঙাইফদবা অসি খঙলগা লন্নাই মীওই কয়াদি লোন অনীদা হায়বদি মীতৈ ময়েক অমসুং বেঙ্গোলি ময়েক অনীমক্তা ইবা লাইরিকশিং পুন্না ফোঙবা ফাওবা য়াওরে। অদুবু লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা মথৌদি হৌজিক ফাওবা তৌদ্রি। ময়েকপু নুংশিজবা অমসুং লোনবু হিংহঞ্জনিংবশিংসু তুমিন্না লৈশিল্লি। পান্দম অসি ফংবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী তঙাইফদবনি হায়বা মখোয়না কাওথোকখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা গভর্ণরনা থম্বা ৱারোল হায়বসি গভর্ণমেন্ট অদুগী ৱারোলনি। হাউসতা গভর্ণরনা থম্বা চেরোল হায়বসি পাথোক্লবা মতমদতা ওফিসলগী চেরোল ওই। মরম অদুনা পার্লিয়ামেন্টতদি প্রসিদেন্টনা ইংলিশ লোনদা পারগনা পোর্টুকোলনা য়াবা মীশক অমনা অমুক হিন্দী লোনদা পাথোকপা চৎনৈ। অদুবু মণিপুরদদি ইংলিশ অমসু মণিপুরী লোনদা গভর্ণরনা এদ্রেস থম্মী। অদুবু পাথোকপদদি সুপ্নতগী ইংলিশ লোনদুখক্তমক পাথোকই। মরক অসিদা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা অমসুং ষ্টেট অসিগী খল্লগা গভর্ণরনা হাউসতা থমখিবা ৱারোলশিং অদু মীতৈ ময়েক্তা ইবা ভর্জন অমদি শোয়দনা হাপফম থোকপনি। লোল অসি গভর্ণরগী এদ্রেসতা হাপ্তবা মরম্না মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিকসু লোল অসি চাউখৎনবা হোৎনদে হায়বগী মমি অমসু অদুমক তারি। মতুং তারকপা গভর্ণরগী এদ্রেসশিং অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী বুলেটিনশিং থোকপা অমদি মরী লৈনবা চে-চাংশিং নম্বদা মীতৈ ময়েক শীজিন্নগদবনি হায়বসি গভর্ণরনা মরী লৈনবা লৈঙাক্তা পাউতাক পীরবদি মীয়াম্না গভর্ণরবু য়াম্না থাগৎনগনি। অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং অনৌবা স্পিকরনসু মায়কৈ অসোমদা মীৎয়েং থল্লগা মণিপুরী লোল চাউখৎননবা হোৎনবীয়ু হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা তৌহঞ্জনীংবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

তরামাথোইশুবা এসেমব্লি মীখলদা মায় পাক্লবা পাক্লবীশিংদা সজেসন খরা থমজরি। মায় পাক্লবশিংনা মায়থীহৌরবা কেন্দিদেটতুগী ৱার্করশিংদা ওৎপা নৈবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। মন্ত্রি, এম এল এ হেক ওইবগা পোল্লিং পোল্লিংগী রেসনিং এজেন্টশিং মরম খঙদনা হেক্তা শিনে দাকপগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। নিংথিনা থবক তৌদ্রবশিংবুদি কুপ্না চেক তৌবীরগা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবিয়ু। এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী ৱার্করশিং থিকা হেক্তা পীগনু, থিকা পাম্বশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌহনবীয়ু। এম এল এ, মন্ত্রি হেক ওইবগা রেজিষ্টার নম্বর ককখ্রবা লোকেল ক্লবশিং, মৈরা পায়বী লূপশিংগী ইগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং মরম চাদনা শিন্দোক্কে খনবীগনু। অৱাংলোমদগী পন্দোন, বি ও সীগী নমথিলোক অমদি খুয়াথোং গোলাই ফাওদুনা চেন্থরকপা অমোৎ-অকায়তনা ফুন্দুনা লৈখ্রবা মথক থংবদা স্লেপনা কুপশিনখ্রবা নাগা দ্রেনবু অমোৎ-অকাই শেংদোকপা য়ানবা মথক থংবা শরুক হাংদোকপীয়ু।

ইম্ফাল সহর ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল তোর্ব্বান্দা শা-ষণ, ওক, ইরোইনচিংবগী শরু-শয়াং হুন্দোক্লিবশিং থিংনবা হোৎনবীয়ু। মীওইবদা খ্বাইদগী মতেং পাঙলিবা ষণ-ইরোই, হুইনচিংবা ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা নুমিৎ খুদিংগী হাৎতোক্লগা য়োল্লিবশিং চয়োল অমদা অনী অহুমলক্তং ওইনবা পাল্লিবা লৈঙাক্লা হোৎনজহনীংই। লৌমীশিংগীদমক্তা দবল ক্রোপিং তৌবা য়ানবা শাবা হৌরম্লগা ফেল ওইখিবা আর এল আই স্কিমশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইষ্টকী মফমশিংদা চেল্লিবা থেনগৎলবা তুরেল খোংনুংশিং নোংজুথাদা ঈশিং মরাং কায়না তুংশিনবা ঙম্নবা লুনা তেংথোকপীয়ু লোয়ননা তোর্ব্বানগী নাক-য়েৎতা লম খোপচিন্দুনা য়ূম, দুকান অমদি হোটেল শাজিনবা, ওক্কোন, য়েনগোন, শনগোল শাজিন্দুনা ফত্ত-হাওথি লংথোক্লিবশিং থিংনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। তুরেল খোংনুংদা শান্নবুং থমহনবীগনু। মীনা কৃক-কৃক ইন্নরবা ইম্ফালগী এরিয়াশিংদা অরাপ্পা খুঙ্গংশিংদগী হোংগৎলক্তুনা য়ূম-কৈ শানবা লম লৈবগী থবক অমদি লমদুবু য়োনবা থিংনবা থবক পায়খৎপীয়ু। মেটোর ভেহিকল লোইশঙনা গাড়ী মশীং য়াম্না রেজিষ্টার নম্বর পীবগী মতুংইন্না লম্বীগী পাক চাউবা হেনগৎনবা হোৎনবীয়ু।

কেন্দ্র কেন্দ্রগী পোল্লিংশিংদা ভোট ময়াদা য়োন্নরিবা অমসুং হৌজিকসু য়োল্লিবা হকচাং শোকপা য়াবা পোৎয়ান য়ানশিল্লিবা য়ু লেবোরেটরি টেষ্ট তৌনবা থবক পায়খৎপীয়ু। এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা শীজিন্নরিবা ফ্লেগ পোষ্ট থেৎলিবা গাড়ীশিং মাগী মাগী ফেমিলি মেম্বরশিংনা শীজিন্নবা মতমদা ফ্লেগ পোষ্ট লৌথোক্লবগী হুকুম লৈহনবীয়ু। বন্দ, ব্লোকেদ মরাং কায়না লৈবা লমদম ওইবনা মতম শাংনা শাংনা স্কুল কোলেজশিং থোঙ লোনবনা মহৈ তমহৌদ্রবা মহৈরোয়শিংগী য়েংদুনা ফাইনেল পরিক্ষাদা ফুল মার্ক অমদি পার্স মার্কতা শেমদোক-শেমজিন তৌহঞ্জনীংই। মীচম মীয়াম্না থাজবা থমদুনা ভোট কাহল্লক্তুনা লৈঙাক শেম্লবনিনা মীচম মীয়াম অমদি কর্ম্মচারিশিংগী য়েংবীরগা তরেৎশুবা পে কম্মিসন অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদসু চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীনবা নৌনা কারক্লবা কারক্লবী এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - চৱাল খাইদেম*
*খুরাই সাজোর লৈকায়*

# টু দ ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর, মণিপুর

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

*ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর,*

থম্মোয় শেংনা, ইকায়খুম্নজনা লমদমসিদা চহী হুম্ফু হিংলক্লবা মীচম অমা ওইনা অদোম্না নৌনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপসিদা থম্মোয়সিদা ফাওরকপা ৱাফম খরদং, চয়োলগী ওইনা ফংজবা, পাউচে অসিগী পীক্লবা কাখল অসিগী মতেঙদগী ফোঙদোকচনবা খুদোংচাবা লৌজরি। ৱাফম অসি ইরন্নাই লোনবা চোইরোল অমগুম লৌবীগনু, মীচম অমনা মরৈবাক্কী নিংথৌদা থাঙ্গৎপা ৱাকৎ অমা ওইনা লৌবিয়ু। অদোম্না ঙসি ফল্লিবা চীফ মিনিষ্টরগী চৌক্রিদু অদুঙৈগী নিংথৌরেলশিংনা ফল্লম্বা 'রাজসিংহাসন' (নিংথৌ ফম্বাল) হায়বদুমক্কি কাউবীনু। 'নিংথৌরেলগী য়াথংদি মালেম লৈ'দা তাফদে' নৎত্রগা 'নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেৎলি' হায়বনচিংবা হায়নরল্লিবা, ঐখোয়নসু কাউজদে অদোম্নসু খঙবীয়ু। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি, মীয়াম লৈঙাক (গনতন্ত্র) হায়নবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক হায়'দু ওইরকখিঙৈদগী য়ূমথোঙ খুদিংগী ফক্লাংদা থেৎলম্বা 'নিংথৌগী মনা'দু লৌথোকখিবা অসিনি। মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামগী খোঞ্জেল তাখিদবা কুইরক্লে। লৌথোকখ্রবা নিংথৌগী মনাদু নৌনা অমুক থেৎচীনবীয়ু-'সিনি ঐগী অহানবা রিক্বেষ্ট (হায়জ-ৱা)। ঐহাক থাজৈ, অতৈমক তাদ্রবসু ৱাকৎসিমদি তাবীগনি শোয়দনা।

হৌখিবা চহী তরামঙাসি - হায়নৈ, পোলিটিসিয়ন অমত্তনা ফংবা ঙমখিদবা এচিভমেন্ট, মণিপুরগী খ্বাইদই শক্তি লৈরবা চীফ মিনিষ্টর অমনা ফংবা ঙমখিবা চহীশিংনি। চহী কুন চুপ্পা ঙাক্লবা তাঞ্জা ফংলমগদবা শম্নাদা লীৎখিবনি। হৌজিকসু থাজবা মাঙদ্রিবনি - অদোম্না ফল্লিবা চৌক্রিদু মহাক্লা শোয়দনা মুনগনি। নম্বর গেম অসিদা মরীখক্কী ৱাফমনি। মমাঙগী টর্ম অদুদা মহাক্লা য়োৎখিবা এম এল এশিং - ঐখোয়নফাও কাউদরি, অদোমগী কল্লিগশিংনদি কাউরমগনি করম্না! শ্যামকুমার থোরক্লে হরাউরিঙৈ, নীংবা কায়রবা অদোমগী পার্টি - মপাঙশিং পুল্লপ অমা ফকখি'দ্রা- চিংনরুবনি, এক্সপরিয়েন্স লৈবদি মখোয়' কাঙলুপ্না হেনবনা। মদু ফাওবদি থোকহন্দবা ফৈ থোকহনবীনু। পূমচাই চাইরবা ষ্টেট ইকোনোমি'সি অমুক্তং তাশিন খোমজিনবদা অকনবা মিৎয়েং চঙবীয়ু। মায় পাকখিদ্রবা 'বিহার পোলিটিকেল কুপ' (লৈঙাক্লোনগী এটেক) অদুদা শীজিন্নখিবা 'স্পেসল ইকনমিক পেক্কেজ ষ্ট্রেটেজি' অদুগুম্বা অমা নত্তনদি কনবা ঙমনি থাজদে। মদু লৌবা ঙমগদবদি অদোম্না লুচিংবা লৈঙাক অসিখক্তনি - ওপোজিসনসু খঙলিবনি। তানফম অদু য়ৌদ্রিঙৈ লৈঙাক অসি থুগায়রোই - ঐনা থাজজবনি। ঐগুম্বা চমফুৎ অমনা হায়বা ৱাবু এম এল এ, মন্ত্রিনা লৌবা হৌনবরা - হায়, মরুপ মপাঙনা। অদুগুম্বা ৱাখলদু শান্নরোয় ওইনা হৌখিবা, জর্নেলিষ্টসু ওইরম্বা অদোমগুম্বা মিনিষ্টরনদি খল্লল্লোই - খন্নবনি পুম্নমক্লা ওপোজিসন'দা ফল্লিবা, মমাঙগী লৈঙাক মপূশিংনা হাপ্লম্বা থবক্কি খূৎশুমল এপ্রিল থাদ'ই পীগনি - মরৌ লৈবা লৌ অমা কোৎশিন্দুনা থল্লম্বনি। খঙলম্বা/খল্লম্বসু য়াই মখোয়সু - মথঙগী লৈঙাক মখোয়না পায়বা ঙল্লন্দবা য়াই। মীয়াম্না (মখোয়সু য়াওনা) খনবা ৱাখলদু অচুম্বা ওইররবনা, লৈঙাকসি থুগায়বা তার'সু 'সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী স্পেসল ইকনমিক পেক্কেজ ফংল' মতুংদা থুগায়গে' - খল্লম্বসু য়াই, কনানা খঙবা!

ওইনীংবদু ওইরসনু, লৈঙাক-পুরেন হায়বদু ওইরেদনা হৌজিক্তি। অদোম্না মীহুৎ ওইরিবা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদুখক্কী ৱাখল খনবা য়াদবনি। মীহুৎ ময়ামগী লুচিংবনি, অতোপ্পা মীহুৎশিংগীসু মান্ননা খনবা তম্বীয়ু। সী এমগী কনষ্টিট্যুয়েন্সিদুমখক লংলগা লৈপাক লংলে হায়বা য়ারোই। মমাঙগী সী এম অদুগুম, মীনা নরাল শীবা য়াবা অদুগুম্বা থবক অমুক তৌগে খনবীরুনু। মিনিষ্টর পুম্নমক্কী মকোক অদুবু চীফ মিনিষ্টর কৌবনি। অদোমগী কেন্দ্রখক্তং য়েংবীনু, মণিপুর পূম্বা য়েংবীয়ু। মরৌ লৈবা চীংমীশিং কোনশিন্নবা খনবীয়ু, চীংমী-তম্মী থানবা য়ারোই-মখোয়বু অমুক্তং হায়হনসি।

ইহে! হায়গে খনবা ৱাহৈদি হায়হৌদনা তোক'তৌরে। মমাঙগী লৈঙাক-পুরেন'দুদা কাখলসিগী খুথাঙদা কয়ারক হায়জখ্রবা ৱাফমনি। মনাদা নোংমতা হাপখিদে। মরম অদু থিরুববু, মাগী নাকোং ওইগদবা য়ূমথোঙ খুদিংগী ফক্লাংদা থেৎলম্বা মনা লৌথোকখিবনা ওইরম্মী। মরম অসি লৈবননি ৱারেঙসিগী অহৌবদা 'নিংথৌগী মনা' অমুক নৌনা থেৎচীনবীনবা হঙ্গৎচখিবা।

মণিপুরবু মালেমদা শক্তাক্লিবসি শান্ন-খোৎনবা অমদি জগোয়-ঈশৈ-কলচর'ননি হায়বা ৱাহায়দু অদোমগী চীন্দগীদি অমুক পনবীরক্কনু-থম্মোয় শেংনা হঙ্গৎচরি ননাইনা। অঙম অথৌগী চীন্দগী ৱাহৈ অসি তাবদা হরাউ মথোয় কাজবা মতম অমা লৈরম্মী। জগোয়-ঈশৈ-স্পোর্টস'না পন্দোল লোম্না কারকপা, কলাকার অমদি শান্নরোয়না নোরোক্কী কোমদা কূমথরকপা! অঙম অথৌগী চীন্দনা থাগৎ ৱাহৈ পরেং পরেং, ঙাইশেন থিরমদাইদনা দোক্তর, এঞ্জিনিয়র-প্রোফেসর! থৌশিলসিনা তাকচরে-স্পোর্টস পোলিসি, কলচরেল পোলিসি, মমিঙতগী শেম্বনি। ওলেম্পিক গোল্ড মেদল পুরকপদা, লুপা ক্রোর অনী মনা ওইনা লাউথোক্লগা, ওলেম্পিয়ন অমা শেম্নবা লম্বীদুগীদমক্তদি শিকিগী বজেদ শেম্নিংদবা। স্পোর্টসমেন/শান্নরোয় পুথোকপগী থৌদাংনা স্পোর্টস এসোসিএশনশিংগী ওইহল্লগা, মিনিষ্ট্রিগা এসোসিয়েসনগা পাউ ফাওননবা মেকানিজমদুদি শেমগত্তবা! করম্বা শান্নবই থৌশিলনো? অদোমগী পোজিসন অমদি ইনফ্লুয়েন্স শীজিন্নরগা অমুক্তং শোয়দনা থিগৎপীয়ু- হৌখিবা চহী তরামঙাদা মণিপুরগী স্পোর্টস পোর্টফোলিও পায়বা করম্বা মিনিষ্টর'না কৈদৌঙৈ কদায়দা, করম্বা স্পোর্টস এসোসিয়েসনগা করি ইস্যুদা ৱারী শানখিবা লৈবগে? ইন্সেন্টিব এৱার্দ লাউথোকপনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্লবা পান্থে নত্তে হায়বসিবু অমুক তাক্লবা নাইখিগদ্রা? নেসনল, এসিয়ন অমদি ইন্টরনেসনল প্লেয়রশিংদা, মাগী মাগী এচিভমেন্টকী মখা পোন্না পীরিবা, য়ুথ এফ্যোর্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট'না পীরিবা 'কেস ইন্সেন্টিভ এৱার্দ' - করিগীদমক পীবনো? অমুক্তং লুথনা খন্থহন্নীংই। মখোয় খঙই -অদুগুম্বা চেম্পিয়নশিপ নৎত্রগা টুর্নামেন্ট, এসোসিয়েসনগী মতেঙ য়াওদনা, শরুক য়ারুবা ওইথোক্তে। অদুনা, এৱার্দ এপ্লিকেসন ফোর্ম অদুদা স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংগী সেক্রেটরিশিংবু কাউন্টর সাইন তৌহল্লি। অঙকপা লৈঙাক্কী থৌশিলনি- শান্নরোয়শিংদুবু তাকপী-তম্বী-শেম্বী-শাবী তৌরিবা কোচ অমদি এসোসিয়েসনশিং, থৌরৈতনা থৌ থিবনি হায়রিবরা, খুদৈ মতেক অমত্তং নৎত্রগা ক্বা মতপ অমগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবীবগী থৌরাংদি লৈতে ঙসিফাও। নেসনল, ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়ারুবা, শান্নরোয়শিংগী মরন্নাইনি, ষ্টেট স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অমদি মিনিষ্ট্রিগী থৌদাং, কন্সর্ন মচেৎ অমত্তা য়াওদে। নয়ূম ইঙ্খোল য়োনগেরা, শেন্দোলনা খ্বাঙ কোয়গেরা, মেদলদুতং পুরকউ মনা অমা পীবিগে- 'সিনি স্পোর্টস পোলিসি।

ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর সার! থবক ওইনা পায়খৎপমক তৌবিদ্রবসু, মখাদা পীজরিবা দিমান্দ/রিক্বেষ্ট পরেং অসি পাবতদি পাবিয়ু, ইজরুবই মহয় য়াল্লে খঞ্জগে।

১) ব্লোক লেভেল, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অমদি ষ্টেট লেভেল স্পোর্টস ফেষ্টিবেল মমাঙঙৈদা পাঙথোক্লম্বদু নৌনা অমুক্তং হিংগৎহনবীয়ু।

২) মণিপুর ষ্টেট গেমস, ২০১৭ নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল গেমস মমাঙদা অমুক্তং শীনবীয়ু।

৩) ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক্স'তা ক্বালিফাই ওইরকপা য়াবা ইবেন্ট খরদা অখন্নবা মিৎয়েং চঙদুনা অখন্নবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম শীনবিয়ু। ইন্টরনেসনল এক্সপোজর য়াওদনা ওলেম্পিক মেদল ওইথোক্তবনি খঙবীয়ু। তৌফম থোকপদু তৌদনা, ওলেম্পিক মেদল রিৱার্দ লাউথোকপীগনু।

৪) কৌব্রু লাইফমলেন, কাইন চীংগী খুভম, মোইরাং থাংজীং লাইমাং-অখন্নবা টুরিষ্ট সেন্তর ওন্থোকসি, অখন্নবা ফেষ্টিবেল মফমশিংদা পাঙথোকসি।

৫) ভাগ্যচন্দ্র ক্লাসিকেল দান্স ফেষ্টিবেলগী পার্মিনেন্ট ভেন্যু শেমগৎপীয়ু।

৬) শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ টেম্পল কমপ্লেক্স'তা মল্টি-ষ্টোরি-গেষ্ট-হাওস অমা শাবীয়ু, মণিপুরগী মপান্দগী গোবিন্দ-দর্শন তৌবা লাকপশিংগী লৈফম চাফম খুদোংচানবা।

৭) ইম্ফাল-উখ্রুল রোপ-ৱে (থৌরীগী লম্বী) শেমগৎপীয়ু, শিরোই-লিলি য়েংনীংবশিংবু চীংগী ফজবা উহন্নবা।

৮) য়ারগদি মফম চাবা চীংদোল অমদা খূৎশেমগী পাৎ অমত্তং শেমগৎসি, পাৎ হায়বা ৱাহৈসি চীংমীশিংসু খঙহনসি।

হঙ্গৎচরিবা ৱাফমশিংসি কারন তাবা ৱাহৈনি খনবীগনু। চহী তরামঙাগী লৈঙাক্তু নত্তবা অতোপ্পা লৈঙাক অমা পামজদুনা হঙ্গৎচবনি খনবীয়ু।

*অদোমগী - লমদমসিগী ৱাজবা মীচম অমা*

# অনৌবা লৈঙাক্তা অনৌবা পার্কিংগী আশা

**সোরোক নোরেন**

*হৌখিবা* লৈঙাক্লা অসুক কুংনা তাখ্রবা মীয়াম মরকসিদা, ইম্ফাল সহরগী ওইনা পার্কিংগী মঙলান মচেৎ অমতা থম্বীরমদ্রে। মসিমক্তি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়নীংই। ইম্ফাল সহর হায়রিবসি ইরমদম মণিপুরগী কোনুংনি। অদুগীসু মথক্তা সহর চামঙাগী মনুংদা স্মার্ট সিটি ওইনবা খনগৎপদা ইম্ফাল য়াওরক্লি। অদুবু ইম্ফাল সহরগী গাড়ী পার্কিংদি কদাই। হংলি ৱাহং অমা ওইনা, ইম্ফাল সহর অসি য়ৌনবা হোৎনবদা মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিং অমতা তঙাইফদ্রবরা? নৎত্রগা ইম্ফাল সহরগী ফজবা মাঙদনবগীদমক গাড়ী পূম্নমক চঙবা থিংখ্রবরা? নত্তে মখল খুদিংগী গাড়ী পূম্নমক পাওনা বজার, থাঙ্গাল বজার, নাগামপাল পরেংদা লোইনা উবা ফংলি। গাড়ী পার্কিং ওইরি। চৎনরিবা লম্বীনি হায়বা কাউনরি। গাড়ীশিং থম্ননবা হোৎনবদা। থৌরকপা মীসু অমদি গাড়ীদুবু শেন্নরিবা এজেন্টকী কাঙবুসু। গাড়ী থম্বগীদমক পার্কিং ফীদি লৌরি অদুগা মীয়াম চৎনবা লৈরিবা লম্বেলদা গাড়ী থমজিল্লিবসিগী ফীনা কনাদা কারিবা?

ফীভম অসি য়াম্না লুরি হায়বা য়াই। ঙসি লাক্কদৌরিবা চহী অমা অনীসিদা মওং মরিল তাবা মতমগা চুনরবা গাড়ী পার্কিং অমা উবা ঙম্বগী আশা খরা লাপলিবগুম তৌরি। হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা গাড়ী অনৌবা অমদি প্রি ওন ভেহিকল অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে মণিপুরদা রেজিষ্ট্রেসন তৌরিবসি। লুরিবদি আই এল পিগী মতাংদদি বেজ ইয়ার অমা পীদুনা থৱায় পানবা তাইবঙ মীওইবা জাৎসি মীতোপ মীয়ানচানি হায়দুনা য়েলহৌমীগী মীওই নৎত্রবদি ইরমদমসিদা চঙবা থিংলি। অদুগা মথৱায় পান্দ্রবা তাইবঙ মী ঐখোয়নদি খ্বাইদগী পাম্না শীজিন্নরিবা অমদি হিংবদা খ্বাইদগী তঙাইফদবা পোৎ অমা ওইনসু লৌনরিবা গাড়ীশিংসি চঙলকপদি থিংদে। অসিগুম্বা মমল য়াল্লবা গাড়ীশিং অসি মথৱায়দি পান্দে হায়ববু মখোয়গী লৈফম পার্কিং অসিসু লন্নাই য়ূমদবু ওইরো, পব্লিক প্লেস অমদি লৈঙাক্কী ওইবা মফম কয়াদা অসুক্কী মতিক মরু ওইরি। তশেংনা থম্ফম অসি হায়বদি গাড়ীগী পার্কিং সিষ্টেম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কৈথেল অসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনি। মসিদা মফম অহুম মরি থোক্লা মচেৎ মচেৎ শরুক খরা খাইদোকচরবসু অপূনবদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়না খঙনরি। অচৌবা কৈথেল অসিদা তিল্লরিবা মীশিংগী চামদা ৫০/৬০ দি লন্নাই গাড়ী পুরক্তুনা কৈথেল অসিদা লাক্লি। পুং কয়া থম্বা হায়বদুনা তোখাইনা লৌরগসু ঙৈহাক্তা ওইরবসু থমদি থল্লি। অদুবু মফম কদাইদা। মীয়াম তিনবা মীয়াম্না চৎনরিবা কৈথেলগী মরুওইবা লম্বীশিংদা শরুক ৩ থোকপগী অনী কনশিন্দুনা। মসি কনানা অয়াবা পীবনো, মসিনি খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাহংসি। পাউখুম লৈতে। কনানা মতিক চাবা পাউখুম পীগনি। অদুক শাংলবা মতম অসি গাড়ী পার্কিং ওইশিন্দুনা লাকপদা কনামতা ৱাকৎলি হায়বা তাদে। শম্না হায়রবদা পাওনা কৈথেলগী লম্বী অসি মনিং থংবা শরুক্তগী মমাঙ থংবদা লান্থোক্কে হায়বদা মী অমগী চৎফম মফম লৈতে। অদুক্কী মতিক কুংনা গ্রী গ্রী ইন্ননা থল্লি। অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অদুগা খজিক্তং হাংবা মনিং থংবা মফম খরদনা পোৎফম ফম্বী ইমা ইবেল খরনা সরক তঙ্খায় অমা অমুক কার্টুন বোক্স অচৌবগী মখুমনা শন্দোক্তুনা ফল্লি। য়েংবদা ওন্থোক্লা নাতে হুকখিদ্রে। কৈথেল অসিসু অসুক্কী মতিক চীনখ্রে। থাঙ্গাল কৈথেল, বি টি রোদ মতেক, হাও কৈথেল গাড়ীগী গাড়ী ঙাক্তা, ও কে হোটেল পরেং, গান্ধি এভেন্যু, ধর্ম্মশালা গাড়ী থমদবা মফম অমত্তা লৈতে। থাফম চাদুনা থাবদি নত্তে। মফম চাদনা থারুরবদি ট্রাফিক পুলিসনা চাকাদা শো লোনশিন্নবসু কন্না হোৎনরি। মসিনি ইম্ফাল ময়োলগী ফীভম। গান্ধী এভেন্যুগী মফম খরদনি নো পার্কিং জোন ওইরিবা। অতৈদি পূম্নমক পার্কিং ঙাক্তনি। মসি ফাওবদি ট্রাফিক পুলিসশিং থবক লৈতবা মানশিল্লকএ।

য়েংনা য়েংনা করম্বা পুংফম করম্বা মতম ফাওবা য়েংখিবা তারিবগে। গাড়ীশিং অসিগী মফম চাবা পার্কিং অমা থম্বা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবনি। গাড়ী পার্কিং মওং তানা শেমদুনা থম্বগী কাঙলোন মুন্না খন্নবা মতম থিনলে। খন্নবা অসিদা করম করম্বা মরুওইবা মীওইশিং শরুক য়াগদগে অমদি কনানা থৌবু ওইগদগে য়াম্না কুপ্না য়েংবা মথৌ তারি। মপূং ওইনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না অচৌবা থৌদাং লৌরিবনিনা পার্কিং শেম্লকপদা অচৌবা থৌদাং য়াফম থোকই। লৌসু লৌরি হায়বা তাই মরমদি এন জি ওশিংনা আই এম সীদগী কন্ট্রেক্ট লৌদুনা পার্কিং ফী অসি মীচম মীয়ামদগী খোল্লিবনিনা। কৈথেল অসিগী ফজবা মশক তাকপদা পার্কিং অমদি টোইলেট লোয়ননা ফত্ত হাওদি হুন্দোকফম অসি য়াম্না তঙাইফদবা পোৎচং অমনি। অসুক চাওখ্রবা কৈথেল অসিগী টোইলেট অসি কদাই কদাইদা লৈ। আলু গলি মচিনগী থায়না সুলাব হায়নবা অসিখক্তনি। পাওনা বজার মশাং অসিদা তঙাইফদনা মপান ইপান থোক্লিংলক্লবদি নুপী নৎত্রগা নুপা অদু কদায়দা শীজিন্নগনি। থাঙ্গাল বজারনা কদায়দা। লুপা ক্রোর কয়া চঙনা শেমখিবা নম্বুল প্রোজেক্টনি। হৌজিক মোৎপনা হায়নীংঙাই লৈত্রে। য়ুরিনেলদগী হেন্দোক্তুনা অচৌবা অমাংবা ফাওবা য়াম্না য়াওরে। মসিনা তাকপদি পার্কিং মথৌ তাবগুম মীয়াম তিনবা মফমদা টোইলেট মরাং কায়না থম্বা অসিসু য়াম্না মরুওই। কৈশাম্পাৎ থোংখাসু ওপন দিফিকেসন ঙাক্তনি। মরুওইনা ঐগী মীয়ামশিংসু লৌশিং তামিন্নবা অসুক য়াম্না ৱাৎলিবসি করিগীনো। কনাগীনি খন্না অফবা অনানবা মফমশিংদা মোৎশিন্নবা হোৎনরিবসি য়ানিংদে। ৱাহেংবম লৈকায় পার্কিংদা সুলাবকী টোইলেট অমা লৈরমই। হৌজিক্তি লৈত্রে। পার্কিংনি হায়দুনা ওইরবনিনা মফম চারবসু চাদ্রবসু তিল্লিবা মীয়ামসিগী খল্লগা মপূং ফাবা অনানবা টোইলেট অমা করিগী মথৌ তাদ্রিবনো? লৈরে হায়না লৌরগসু মোৎপা, চঙবদা হঙ্গোইবা পোকপগী খুথমদুমসু য়ানিংফাত্তে। হৌজিক হৌজিকমক ইমা কৈথেলগী খ্বাইগী মথক্তা লৈরিবা টোইলেট অসি শীজিন্নবদা অচৌবা খুদোংথিবা নংই হায়নীংই। অশোনবী ইমা ইবেল অমদি মী লৈনদবা ফ্লোরনিনা ফত্তবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। নানবসু শেন্নরিবা মীদুনা মপূং ফানা শেন্নদ্রবনিনা ফ্লোরগী চাংসু য়াম্না মোৎলি। য়েংশিনবা মথৌ তাই। মপু পান্দে।

হৌজিক নাগা নালা মথক কুপশিল্লদুনা পার্কিংগুম খরা ওইগে তৌরক্লিবসি ফৈ হায়গে তৌববু মওং মরিল তাফাৎত্রি। এজেন্ট কাঙবুনা কূপ্না শেন্নদুনা করম্বা গাড়ী মখল কয়া য়াম্না থম্বা য়াই হায়বগী কালকুলেসন অমা চপ চানা হোৎতোকপা মথৌ তাই। মসিগী পার্কিং অসিনা নাগামপালগী গাড়ী খুদিংমক কোভর তৌবা ঙমগদ্রা। নোংমদা চাউরাক্লা নাগামপাল লোমদা লাক্লিবা গাড়ীশিং অসি কয়া য়াম্বনো, অতোপ্পা মফমদগী হোংজিল্লকপা য়াগদ্রা। খ্বাইদগী মরু ওইরিবসিসু ঐগী ইরমদমসিগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিনি। ষ্ট্রিট ভেন্দর হায়রগদি মখোয় য়াওদ্রবদি কৈথেল কৌবদি য়ারোইদৌরিবনি অদুগা মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌবসু য়াররোই। হৌজিক্তি ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪, কুমজা ২০১৪ গী মে ১ দগী লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনবা হৌখ্রে। ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ওইনা পোৎফম ফল্লিবী ইমা ইবেলশিংনা মখোয় মশাগী ওইবা প্রোটেক্সন এক্ট অমা লৈরে হায়না চপ চানা খঙজদ্রগসু ওফিসিয়েল ওইনা ইরমদমসিদদি থবক পায়খৎপা হৌরবনি। অদুবু লুরিবদি ষ্ট্রিট ভেন্দর অসি সর্ভে তৌবা হৌরকপদা ফংখিবা মশীংগা ঙসি অশেঙবা ওইনা ফল্লিবা মশীংগা অসুক্কী মতিক খেন্নরে। নোংমা নোংমগী লেপ্পা লৈতনা মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লিবা অচৌবা অহোংবা অমা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী হায়রবদি ষ্ট্রিট ভেন্দর অসিনি হায়বা তাই। মসিদা ঐনা হেন্না হায়জিনবা নত্তে। নুমিৎ খুদিংগী কৈথেল অকা অকুম তৌবিরিবা ইচিল ইনাওশিংনা হেন্না খঙবীরমগনি। ঙসি ঐনা চৎখিবা কৈথেলগী অহাংবা মফম হয়েংদি অহাংবা মফম অদু পোৎফম ফম্বী ইমা ইবেল অমনা হেক্তা মেনশিল্লমগনি। মসিনি হেনগৎলকপগী চপ চাবা খুদম। অদুগা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিগী চপ চাবা মফম তং তানা শান্ননবা হোৎনবদা মতিক চাবা লমসু মরাং কায়না লৈতবগী অচৌবা অৱাবসু মায়োক্লদবা নত্তে। হৌখিবদা ইমা কৈথেল নিংখাইদুনা খুদোংথিবা থোকপা মতমদুদা টেম্পরেরি মার্কেট শান্নবগী মফম লৈতদুনা লম্ফেলগী সুপর মার্কেটকী অহাংবা লম খরা অদুদা শীজিন্নসি হায়বদা ইমা ইবেলশিংনা য়াখিদে। পোৎশিৎ ফৎলোই হায়দুনা। অকনবা ঈরাং হৌখি। লৈঙাক্লা ফমদবা য়ারোই, ইমা ইবেলশিংনা ফল্লোই কন্না মুক্লজরবসু ইমা ইবেলনা ঙমদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা ফমখি। হৌজিকসু অদুমক ফল্লি অদুনদি ষ্ট্রিট ভেন্দরগী কৈথেলসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ময়ায় চবুকমক্তদা শাবা তাই। ইমা ইবেলশিং নুংঙাইনবা। ষ্ট্রিট ভেন্দরগী নুঙাইবা ৱারী মতেক অমতং পঞ্জগে। অশেংবনি ৱারীসিগী নায়িকাদুনা ৱারেং অসি পাবা থোক্লবদি মা মশামকনি হায়বা শোয়দনা খঙগনি। অদুবু খঙজসনু অচুম্বা লীথোকপবু কিরুখিদ্রা। হৌজিক্কী সী এম অনৌবনদি অচুম্বগীদমক মায়োক য়াগনি লাউথোক্লগা ঐনা ৱারী মচাসিগীদমক কিফম থোক্তে।

বিষ্ণুপুর মখা লৈকায় হায়না খঙনবা লৈকায়দুদা ইমান্নবা অমা লৈ। মানা নোংমা লীরকপনি। মখোয় লৈকায়দুদা থবক শুনিংদবা মতৈ মনাও অমগী ৱারীনি হায়। নুপাদু নুমিৎ খুদিংগী য়ু থক্তুনা ৱারেম ঙাঙদুনা নুমিৎতাবা ফাওবা লৈবদগী হিংদবা য়াদদুনা মাগী নুপীনা কৈথেল থোরকপগী ৱারীনি। কৈথেল থোকপা হায়রিবসি অয়ূক ঙন্তা পুং ৩/৪ দা হৌগৎতুনা হয়েং পোৎ য়োল্লুনবা পোৎচৈ ময়াম অমা নুমিদাং খূৎফাদগী লৌনরগা অহানবা গাড়ীদা চৎতুনা ইম্ফালদা থারুরগা অয়ূক্কী মপুং ৯/১০ দা হল্লকপা অমা। অদুগা অমনা অয়ূক ঙন্তাদা অফংবা পোৎ চৈ খরা চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা পুরকপদু মমল হোংনা লৈরগা মানা অমুক খরা হেনগৎনা য়োনবা ঙম্নবা ষ্ট্রিট ভেন্দরগী নামাদা ফম্বা অমা। নৎত্রগা লাইসেন্স পায়দুনা অশাবা সেটতা ফমদুনা য়োনবা অমা মখল অহুমসিনি কৈথেল থোকপা হায়নরিবসি। অদুবু হৌজিক্কী কৈথেল খূথোক অসিদি পূম্নমক্তগী পুমতোন তোঙাল্লি। নুমিৎ চুপ্পা নুংথিলগী পুং ২/৩ ফাওবা তূমদুনা লৈরগা মচা মশু মপুরোইবা করিগুম্বা অমত্তা নাচুংদনা পুং ৪/৫ অদুৱাইদা খাউ মচা অমা য়াল্লগা ইম্ফালদা পোৎ য়োনবা চৎপগী ৱানি। করি পোৎ য়োন্দৌরিনো হায়দুনা মাগী নুপাগা ফনা য়াম্নসু খৎনৈ হায়। হল্লকপনা লাষ্ট গাড়ী নুমিদাংগী পুং ৭/৮ দা হল্লকই হায়রি। অসিগুম্বা ষ্ট্রিট ভেন্দর ময়াম অমসু লৈদুনা কৈথেল চীলহনবদা অচৌবা মতেং ওইরি। অমদি লায়রবা শেন্থোক লৈজদ্রবা য়ূমগী মতেং ওইনরি। মায়কৈ অসোমদদি লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবিগদ্রা মদুমদি অনৌবা লৈঙাক্কী অকূপ্পা মিৎয়েং ওইরসনু।

অরোইবদা ঙসি অনৌবা লৈঙাক্তা ওইনজনীংবদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অচৌবা অরাকপা গাড়ী খুদিংমক্কী অফবা মতিক চাবা পার্কিং অমা অমদি টোইলেটকী মপূং ফাবা খুদোংচাবা, ফত্ত হৌদি হুন্দোকফম খরা অসিদংদি থমনীংই। ব্লুমিং মণিপুরনদি কৎথোকপা অমগী মখাদা ফ্লাই ওভর ব্রিজ মখাদা অমদি ইমা কৈথেলদা লৈ শু থাদুনা ফজবা ইমা কৈথেল অমা ওইহন্নবদি হোৎনবা ঙম্লগা অনৌবা লৈঙাক্কদি করিগী ঙল্লোই। তৌগেদা তৌবা ঙম্বা বি জে পি লৈঙাকনি। মথক্কী থৌদাং অহুমসিদং অথুবদা পায়খৎপীরবদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল খরদি মশক থোক্কদরা খল্লি। নম্বুলদংগা মোৎহন্দবা মসিসু অচৌবা শিংনবনি। ফনা য়াম্না শেংদোকই ফনা য়াম্না মোৎশিল্লি মসিনা কনাগী থৌদাংনো।